**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলুরবা মতুংদা ঙসিদি খরা হন্থদুনা মীওই ১৩ খক্তমক নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইখি।

২) ৯০ রক শুবা গ্লোরিয়স ইয়রস ওফ রেদিওগী পালন থৌরম অকাশবানি ইম্ফালগী ওদিতোরিয়ম হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) কুমগী নোং মরাং কায়না চুবগা লোয়ননা লৌমীশিংনা লৌ পানবা হৌনরে, লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদসু নোং চুখিগনি হায়রি।

৪) অচোৎপা অমসুং অকংবা অমোৎ অকায়শিং তোঙান তোঙান্না হাপবা ত্বিন-বিনশিং মহুদ দিপার্টমেন্টনা এন.জি.ওশিংদা য়েন্থোকখ্রে।
অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ভাষনদা য়ুম্ফম ওইবা লাইরিক ৱিংস ওফ অৱার হোপস ভোল্যুম টু ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ফোংখ্রে।

**------**

কোবিদ (এল)ঃ হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা রাজ্য অসিদা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলুরবা মতুংদা ঙসিদি খরা হন্থদুনা মীওই ১৩ খক্তমক নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইখি।

হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়- ঙসিগী ওইনা পুন্না মীওই ৪১ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই ১৩ পোজিতিভ ওইখিবনি। পোজিতিভ ওইবগী চাং চাদা ৩১.৭ নি। অপুনবা পোজিতিভ কেস ১৫৮ গী মনুংদা মীওই ২০ নাবা ফগৎলকখ্রে। হৌজিক এক্তিভ কেস ১৩৮ লৈরি।

হাইপরতেন্সন(এল)ঃ মিজর য়োর ব্লদ প্রেসর একুযরেটলি, কন্ট্রোল ইট, লিভ লোঙ্গর হায়বা হীরমদা থা অমা চুপা চখদুনা লাক্লিবা ৱার্ল্ড হাইপরতেন্সন ডেগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফালগী হোটেল ইমোলেসতা ৱার্ল্ড হাইপরতেন্সন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট এন.সি.দি দিভিজন অমদি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চম্বো গোলমৈনা হায়- থা অমা চুপা ৱার্ল্ড হাইপর টেন্সন নুমিৎ অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। মসিগী শরুক অমা ওইনা অকাশবানি ইম্ফালনা এন.সি.দিগা খুশমদুনা প্রোগ্রাম কয়া শন্দোকপগীদমকসু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- হিদাক মনা কা হেন্না শিজিন্নবনা বি.পি. ৱাংখৎহল্লি।

থৌরম অদুদা ফেমিলি ৱেলফিয়রগী দাইরেক্তর ডা.এন হেমন্তকুমার, ষ্টেট হেলথ মিসন সোসাইতিগী দাইরেক্তর ডা.এম.দিনেস শরুক য়াখি।

রেদিও(এল)ঃ ৯০ রক শুবা গ্লোরিয়স ইয়রস ওফ রেদিওগী পালন থৌরম অকাশবানি ইম্ফালগী ওদিতোরিয়ম হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অকাশবানি অমসুং দুরদর্সনগী নোর্থ ইষ্ট রিজনগী এ.দি.জি অশিস ভটনাগরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হন্দক ঈশিং ঈচাউগী মতমদা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকখিবা অকাশবানি ইম্ফালগী স্তাফশিংবু ইকাই খুমদুনা অচম্বা খুদোলপোৎশিং খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা, অকাশবানি ইম্ফালগী দাইরেক্তর (ইঞ্জিনিয়রস) ডা.এন নন্দকুমার, রিজনেল নিউজ য়ুনিটকী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ অমদি অকাশবানি ইম্ফালগী স্তাফশিংসু শরুক য়াখি। লোইশিল্লকপদা পালন থৌরম অসিগা মরি লৈননা নাৎকী ওইবা জগোইগী

থৌরমশিংসু উৎখি।

ফায়র(এল)ঃ মণিপুর ফায়র সর্ভিস বিভাগনা শিন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ হুমি চুপা চত্থগদবা ৫ রক শুবা বেসিক ফায়র এন্দ লাইফ সেফতি ত্রেনিং প্রোগ্রাম ফোর হোস্পিতাল এন্দ নর্সিং হোমগী থৌরম অমা হৌজিক দাইরেক্তোরেট ওফ মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসর ডাঃ জি সুনিলকুমার শর্ম্মা, জোইন্ট সেক্রেটরি ডা.ময়াংলম্বম ভেতো সিংহ, হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চম্বো গোলমৈ অমদি ফায়র সর্ভিসকী দাইরেক্তর ডা.এল নবচন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি। অসিগুম্বা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি হৌজিক ফাওবদা জিলা ৮ দা পাঙথোকখ্রে। মরুওইনা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপা মতমদা মতৌ করমা ঙাকথোকচগনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি।

নৈলিট (এল)ঃ নৈলিট ইম্ফাল অমদি মণিপুর সেবা সমিতিনা পুন্না খুৎশমদুনা নুমিৎ ৬ নিগী ওইবা এসেমব্লি ওফ ক্বাদকুটর দ্রোনগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী অকামপাৎতা লৈবা নৈলিটকী কেম্পসতা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা নৈলিটকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর ডাঃ এ. বাব্লু য়াওনা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা কুমশি চহিগী কুমগী নোং মহৌশা চুফম থোকপা চাংদগী হেন্না চুগনি হায়না ফোংদোকখিবগী মতুংইন্না হৌজিকসু রাজ্য অসিদা কুমগী নোং মরাং কায়না চুবা হৌরে। নোং হাংবা মতমদা কা হেন্না শাবা ফিভম মায়োকরবসু নোং চুরকপা মতমদদি শাবগী চাং হন্থদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা অশাবা খাঙবগী অৱাবা হন্থরি।

মরক অসিদা ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা পীবা নোংজ্ নুংশিগী পাউনা হায়- মণিপুরগী জিলা ১০- তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, কামজোং,

জিরিবাম, নোনে অমসুং ফেরজোলদা পাক্ককনা নোং চুখি। হয়েংসু রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা ৮ দা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুগনি হায়না য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। জিলাশিং অদুদি- তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে অমসুং ফেরজোলনি। লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদনা রাজ্য অসিগী জিলা ৬ তা ময়াই ওইরপ্পা চাং য়ৌনা নোং তাগনি হায়রি।

অমরোমদা, নোং মরাং কায়না চুবদগী রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা লৌ পনবগী থবক তপা তপা কনখৎলক্লি। ঙমখৈ জিলা ওইরিবা জিরিবামদসু লৌমীশিংনা কুমগী নোং লাকপগা লোয়ননা লৌ পানবা হৌনরে।

তুরেল (এল)ঃ   ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুংদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী খোঙনুংদা আইন্না য়াদবা মওংদা শেমগৎ শাগৎলিবশিং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌথোকবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা খঙহল্লি ।

দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ঙসি থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলা ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেলশিংগী খোঙনুংদা মীয়ামা আইন্না য়াদবা মওংদা লম খোপচিনদুনা দুকান, ক্রিমেতোরিয়ম য়াওনা অতৈ মখল খুদিংমক্কী শেমগৎ শাগৎলিবশিং অসিনা নোংজ্ থাগী মতাংদা তুরেলগী ঈচেলদা অপনবা পীদুনা ঈশিং ঈচাউ থোকহনবদা মতেং পাংলি। মরম অদুনা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা মশা মশানা শাজিল্লিবশিং শিদোক্রবদি আইনগী মতুংইন্না মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

বিন (এল)ঃ     দাইরেক্তোরেট ওফ ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অরবান দিভলপমেন্ট (মহুদ)না অচোৎপা অমোৎ অকায়শিং অমদি অকংবা অমোৎ অকায়শিং তোঙান তোঙান্না হাপবা দসবিনশিং এন.জি.ওশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ইম্ফাল

ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাশিংগী য়ুমথোঙ লিশিং ৬,৭৮৭ তা অমোৎ অকায়শিং হাপনবা দসবিনশিং অদু মহুদগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি আর.কে. দিনেসনা য়েন্থোকখি। দসবিন অনি অনি শাবা ত্বিন বিন অসিদা য়াওরিবা হিগোক মচুগী দসবিনদা অচোৎপা অমোৎ অকায়শিং হাপকনি। অদুগা অশংবা মচুগী দসবিনদনা অকংবা অমোৎ অকায়শিং হাপকনি।

থৌরম অসিগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা মহুদকী দিরেক্তর ঙাঙোম উতমনা হায়- অমোৎ অকায়শিং অসি চয়োল অমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অহুম্লক্তি লৌখৎকনি। মসিনা লম্বী শোরোকশিং লুনা-নান্না থমবা চংশিল্লিবা কেম্পন অসিদা চাউনা কান্নবা পীগনি। দুকান খুদিংমকসু অমোৎ অকায়শিং খোমগৎপা লাক্লিবশিংদা শোইদনা য়াওশিনগদবনি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিগী নেসনেল ট্যুবরকুলোসিস ইলিমিনেসন প্রোগ্রামনা শিন্দুনা জন ভগিদারি ফোর টি.বি. মুক্ত ভারতকী শরুক অমা ওইনা নোংমগী ওইবা পাউমীশিংদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ট্যুবরকুলোসিস সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা টি.বি. লায়নাগী মরমদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। পাউমীশিংনা হংলকপাগী ৱাহংশিংগী পাউখুমসু পীখি।

তেংনৌপল (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা ধরদি অবা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী খুলসাইবুং অমসুং লমলোং খুল্লেলদা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা নোংমগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখে। থৌরম অদুদা মচিগী এস.দি.ও- মুহম্মদ নাজমুল হুদা খান অমসুং খুলগী লুচিংবশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

নিশা (এল)ঃ লম কোইবশিংগী য়ামা মরুওইবা লমথুংফম অমা ওইরিবা লোক্তাক পাৎকা নকনা লৈবা মফমশিংদা কনাগুম্না খরনা ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিং য়োনবা তোকনবা য়ুনাইতেদ ৱিমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন বিষ্ণুপুরনা হায়রি। লুপ অসিনা ঙসি নিংথৌখোংদা পাঙথোকপখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংখিবী লুচিংবীশিংনা হায়- অসিগুম্বা থৌওংশিংনা লম কোইবা লাক্লিবা মীওইশিংদা ময়াই কাবা নিশা শিজিন্নবগী খুদোংচাবা হেন্না পীদুনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা য়াই। মরম অদুনা মরী লৈনবা জিলা অসিগী পুলিসনচিংবগা খুৎশমদুনা ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিং ফাগৎপগী থবক চথ্নরগনি হায়রি।

কেম্প (এল)ঃ নম্বোলগী এস.কে. ৱিমেন্স কলেজদা নুমিৎ তরানি চুপা পাঙথোক্কদবা হিন্দি লোলগী কেম্প অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। কেন্দ্রিয়া হিন্দি সংস্থান দিমাপুর কেন্দ্র অমসুং এস.কে. ৱিমেন কলেজগী হিন্দি দিপার্টমেন্ট অমদি আই.কিউ.এ.সিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ আর.কে. লোকেন্দ্র অমসুং কেন্দ্রিয়া হিন্দি সংস্থান দিমাপুর কেন্দ্রগী রিজনেল দাইরেক্তর ডাঃ থম্বুই য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

হিয়াংথাং (এল)ঃ লাক্লিবা থা অসিগী ২৫ ইঙাগী থাসি নুমিৎ অসি অম্বুবাসি অরোইবা নুমিৎ ওইবা মরমা হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইমাগী থোঙ হাংলোই হায়রি। হিয়াংথাং লাইরেম্বী দিভলপমেন্ট সেবা কমিতিগী চেরোল অমদা হায়- নুমিৎ অসিগী মহুৎতা মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২৬ শগোলশেন নুমিৎতা ওইনা ইমাগী লাইথোঙ হাংগনি। ইমাগী ধর্সন তৌবীনিংবশিংনা নুমিৎ অসিদা লাকনবা কমিতিনা হায়রি।

ওবিত (এল)ঃ আরিয়ন থিয়েটরগী লাইফ মেম্বর ওইরম্বী শকাইরবী আর্টিষ্ট ক্ষেত্রিময়ুম রাসি দেবীনা লৈখিদবদা থিয়েটর অসিনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। আরিয়ন থিয়েটরগী ভাইস প্রসিদেন্ট হাওবম মনিকুমারনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোংদোকপগী মীফম অমদা মিনি অনি তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবীগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ৱিংস ওফ অৱার হোপস ভোল্যুম টু হায়বা লাইরিক অমা ফোংখ্রে। লাইরিক অসিদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা কুমজা ২০২৩ গী ওগষ্টতগী ২০২৪ গী জ়্লাই ফাওবগী মনুংদা ৱা ঙাংখিবশিং য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সিংহনা হায়- চাওখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবা ভিক্সিত ভারতকী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা মীয়াম্বু লমজিংবা লাইরিক অমা ওইরগনি। লাইরিক অসিদা সভ্যতাদগী কলা সংস্কৃতি ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা মরী, শিক্ষা অমসুং হকশেল য়াওনা লম কয়াগী মতাংদা ময়েক শেংনা পল্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

লিন্থোই (এল)ঃ মণিপুরগী জ়্দোকা লিন্থোই চনম্বমনা বার্লিন জ়্নিয়র য়ুরোপিয়ান কপকী সনাগী তকমান লৌবা অহানবা ভারত মচা ওইরে। লিন্থোই চনম্বমা কিলোগ্রাম ৬৩ গী কাংলুপ্তা পোলেন্দগী জ়্দোকাবু মায়থিবা পীদুনা সনাগী তকমান অদু লৌখিবনি। লিন্থোই চনম্বম ২০২২ দা সাজেবোদা পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৫৭ কী কেদেট ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপতসু ৱার্ল্ড টাইটল লৌরকপা ঙমখিবনি। মহাকা মায় পাক্লকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ফুটবোল (এল) ঃ ক্লাসিক ফুটবোল একাদমি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিনবা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগতা মখা তানা শরুক য়াররোই। একাদমি অসিগী শান্নরোইশিং চহি অসিগী মে ৩১ দা কন্ট্রেক্ট লোইখিবনা তুরনামেন্ট অসিদগী তোকখিবনি। টিম অসিগা শান্নগনি তৌরম্লা অতোপ্পা ক্লবশিংদা পোইন্ট অহুম অহুম পীরগনি হায়না অম্ফানা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা ১৫ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নগদবা মেটচশিং নোংনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রে। অনৌবা ফিকচর কোন্না থোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না খঙহল্লক্লি।

ফুটবোল (এল) ঃ অনিসুবা চালৌ ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা হুইদ্রোম এফ.সিনা চানা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা, দাইভরজন ফুটবোল একাদমিনা চাংলেম্বা এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-৪ দা সেন্ট্রেল হাইস্কুলনা শৈজাংবু পাঞ্জল ১-০ দা, ই.ভি.এস.সিনা ঙন্বা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

চেস (এল) ঃ কাংবা চেস একাদমি নিংঙোমথোংনা শিনবা অনিশুবা কাংবা জ্নিয়ার অন্দর টেঈন্তি ক্লাসিকেল চেস টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসি লোইশিনখ্রে। সিসু নিসন্থা নিকেটনগী দয়ানন্দ থৌদামনা অহানবা পোজিসন, কে.ভি. ইম্ফালগী শিন্থোইবা নিংথেমচানা অনিসুবা অমসুং সেন্ট জোসেফ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী য়াইফবা য়ুমামা অহুম শুবা পোজিসন তারে।

------